ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯲, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯵꯰ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, মার্চ ২২, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৫০শুবা মশীং

লগাও থাবা নত্তে
তাৎ মচা-মচাগী চন্নফম লৈহনখিগদ্রা

এপ্রিল ১৯, ২০২৪দগী হৌরগা তাঙ্কক ৭ থোক্লা পাঙথোক্লগদবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী মনুংদা সিট অনী খক্তমক লৈজবা মণিপুরগীসু য়াওরে। এপ্রিল ১৯ অমসুং ২৬, ২০২৪দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্লগনি। অহানবা ফেজদা নম্বর ১-ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল পাঙথোক্লগনি। অনীশুবনা নম্বর ২- আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল পাঙথোক্লগনি। ইন্নরগী পাঙথোকপদা আউটরগী এসেমব্লি সেগমেন্ট খরা য়াওশিলহল্লকপা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা হান্না এয়রমার্ক তৌবা পোল্লিং ষ্টেসন খরা হোংদোক-হোংজিন তৌরকপা য়াওরে। তৌসনু, মণিপুরগী সিট ২গী মীখলসি য়েৎখাই-থিনগাইবা য়াওদনা ফ্রী এন্দ ফ্যের ওইহন্নবগীদমক চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) মণিপুরনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গা তান্ন-তিক্নদুনা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎসনু। মীখলসিগী থৌবুসু, অরাংফমসু ওইরিবা মখোয়গী মথৌনি। মখা তানা মথৌ তাবা ইলেক্সনসিগী থবক থৌরমশিং লৈরক্লবসু তৌরকসনু। অদুবু হন্দক্কী মীখলসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা থবক থৌরমশিংগী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দবা অমসুং ভোট থাদবা লাকপা অমসুং থাদরগা হনখিবা ভোটরশিংদা অকি-অখং নংহন্দবনি। অহেনবা চেকশিন থৌরাংসিনা হৌজিক ফাওবদা লেপত্রিবা লান অসিনা মথৌ তাহল্লকপনি। পূম্নমকসিনা মীখলসিগী মরী লৈনবা তৌদবা য়াদ্রবা থবক-থৌরমশিংগী ৱানি। হৌজিক মীখলসিনা মীয়ামদা হংলক্লিবা ৱাহংনা ভোটরশিংনা অনীখক্তা ঙাইরিবা সিট অনীসিগীদমক করন্থা পোলিটিকেল পার্টিগী নৎত্রগা লন্নাই মীরেপশিংদা ভোট পীগদগে? ভোটরশিংদনা করি-করি হায়রগা ভোট খোন্নক্কদগে হায়বসিনি। ৱাহং অনীসিগী মনুংদা করি করন্থা ৱাশক শক্লগা ভোট খোন্নক্কদগে হায়বসিগী মতাংদদি থোইদোক্তে। হামু-হামু অদুম্মক ওইরক্কনি। মেনিফেষ্টোশিং ফোঙনরক্কনি, মীখলগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা ফজ-ফজবা ৱাফম কয়া হৈথরক্কনি। মীয়াম্না তৌ হায়বশিং ফাওবা লোইনা তৌগে হায়রক্কনি। মসিগী মথক্তা মসল অমসুং মনি খক্তা নত্তনা মায় পাক্লবা পান্থৈশিং অউপ্পা উনা লোংথোক্তুনা থিরগা শীজিন্নরক্কনি। কাদবা য়াদে হায়বনা মাঙ থারগা চঙশিল্লকপনা নম্মী। মমিংতগী ওইনা পার্টি অমসুং মশাগী পিরাই ঙাক্লবা চোংথোক্লরকপসু য়াওরক্কনি।

অদুবু ভোট থাদগদবা নুমিৎ মশীং খরা য়াম্না ৱাৎলিঙৈদগী হৌনা ভোটরশিংনা তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নরগা লৌহৌগদবা ৱারেপতি কনাদা ভোট পীগদগে হায়বসিনি। মরমদি মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসি হৌজিক ফাওবদা খাগ্বীনবা য়াওদবনিনা লোইশিন্দ্রি। লান্দারক্লিবশিংনা খোঙহাই চাবা মফম অমসুং মতম হেক ফংবগা মখোয়গী হৈনবী অদুম্মক তৌরকপনিনা মণিপুরগী ওইনদি ইলেক্সনগী এজেন্দা পূম্নমক্তগী লান অসিগী মতাংদা খ্বাইদগী মাঙজিল থানা লৌগদবা ৱারেপ ওইফম থোকই। মীশি-মীনা পীক থন্না থোকহনবা লানসি নীংথিজনা লোইশিন খামজিন্দুনা ৱারোইশিন পুরক্লগা পাঙথোকউ হায়বদসু তাদ্রবনিনা ভোটরশিংনা মীখলসিগী খুদোংচাবা শোয়দনা লৌহৌনবা হোৎনহৌবা চুমগনি। খঙন-চান্নবা, মরী-মতা, নুংশিবা অমসুং পামজবনা হুমদুনা পুহনখিরোইদবনি। সিট ২ খক্তা ওইরবসু চঙ-চঙ লাওবা, মণিপুরগী লানসিগী য়াওনা মীয়ামগী অনীংবা অপান্থশিং খঙবা, মরমদমসি নুংশিবনা পুময়োম য়োন্নবা মীওই খনগদবনি। অসিগুম্বা মীওইদদি মথৌ তারকপা পূম্নমক অমত্তা ৱাৎলোই। মৈতাল ৱাৎপা নিংথৌ ফাওবা ওইরক্লোইদৌরিবনি। কৌরবকী মচিল-মনাও ১০০ মায়থীবা পীখিবা পান্দবকী মচিল-মনাও ৫ ওইহনগদবনি। দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন চৎলিবা লৈবাকসিদা পীক্লবা মণিপুরদগীসু মীহুৎ ২গী মথৌ তারিবনি। মসিগীদমক ষ্টেটসিদসু মীখলসি পাঙথোক্কদৌরিবনি। পূন্সিদা তাৎ মচা-মচাগী চন্নফম হায়বদুনা মাঙ থারগা থোরকপনিনা মরমদম মণিপুর মৈ হৌদুনা চাক্লবসু পার্লিয়ামেন্টতা ৱা মচেৎ অমত্তা ঙাঙবা ঙমদনা খৌনাওদা ঈশিং পনবদৌনা ঈক-আ, ঈক-আ তৌদুনা লৈখিবশিংদি মমিং তাবদা তরেৎনি চফম হনবা; হন্দোক্নখিবা য়াওখিবদু কাউদবা ফগনি। পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইবগী চপ চাবা পাদম লৈত্রবসু মণিপুরগীদমক করিগুম্বা খরা তৌরুবা ঙমগদবা খলহৌবা চুমগনি। চু চারুচো হায়দুনা থাখ্রগা মঙ্গা চাদুনা হল্লক্কদবদি তৌদবনা ফরগনি খল্লি। ষ্টেটসি মপী-মপা লৈজদবগী লমজা শরা ওইনা লৈরকপা কুইরবনি নীংশিংগদবনি। মীখলগী হাইগৎলাং অমসুং মোইথেম-লৌনমশিংগী মথক্তা থোকউদা থোকহনবা ঙম্বা তেকখাও য়াইখুগুম্বা 'গান্ধী' য়েকপশিংসু খূৎচাউ থারক্কনি। অসিগুম্বা খ্বাইদগী অনেম্বা থাক্কী পোলিটিক্সকী ৱাংলবা শম্বল থুদেক্তুনা মৈ থাদোকহৌবা চুমগনি।

ꯂꯒꯥꯎ ꯊꯥꯕ ꯅꯇꯇꯦ
ꯇꯥꯠ ꯃꯆꯥ-ꯃꯆꯥꯒꯤ ꯆꯟꯅꯐꯝ ꯂꯩꯍꯟꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ

মন্থরক্লবা, কীন্থরক্লবা য়াওশঙ হায়বদু ওইগদৌরব্রা?

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

ইরমদম মীতৈ লৈবাকসিদা য়েলহৌঙৈগী মতমদগী হৌনা হৌজিক ফাওবসিদা অরি-অনৌ শম্নুনা পাঙথোক্লকপা মীতৈশিংগী অমত্তা ঙাইরবা কুম্মৈ হায়রগদি 'য়াওশঙ কুম্মৈ' সি খক্তা ঙাইরবনি। ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বগী মতুংইন্না কুম্মৈসি মীতৈশিংনা মমাঙগী চহী ফাওবদদি চহী অমত্তা কান্দনা লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবরা খল্লি। অদুবু হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী কুকিশিংনা মীতৈশিংগী মথক্তা অকনবা লান তারকখিবা মতুং থা ১১ ফাজিল্লক্লবসি ফাওবদা লান থিংবীবা ঙম্বা ওথোরিটি অমত্তনা লান থিংবীবগী ৱাফম লৈতবদগী কুমসি চহীসিমগীদি ইরমদমসিদা য়াওশঙ কুম্মৈ হায়বসি মীয়াম্না নীংশিংনগদৌবা মান্দে। লান মায়োক্লবদা চাদবগা-তূমদবগা, পল্লুবগী কান্নবা ফাওবা লৈরকত্রবা মতমসিদা কুম্মৈনা লানগী অৱাবা খিবিকসি কোকহনবা ঙমগনি হায়বসিদি কনামতনা হায়নীংলোই। অদুম ওইনমক সি হায় হায়দুনসু হরাও-কুম্মৈ, সিনেমা, দ্রামা অমদি শুমাং কুম্মৈনচিংবা তোঙান-তোঙানবা আর্ট ফোর্মশিংসি মীওইবনা হিংলিবা মখৈদি থাদোক্লবা শুকয়া য়াররোইদবা পোৎশক অমমমনি। পুমশুপ হেক শুপচিল্লগা পূম্নমকসিবু থৌওই-ৱাওইদবা হায়বসিসু ঐখোয় ইশাগী ইকায়খুম্নবগী চাংদি শোয়দনা ময়েং তারক্কদৌরিবনি। লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈননা পাঙথোকপা হরাও কুম্মৈশিং হায়বসি পাঙথোকপা হেক লেপখিবদা চৎনরিবা লাইনীং-লাইশোনদুদা চেৎশিনবগী থবক ৱাৎলক্কদৌরবনি অমসুং শেরান-তুরান ঙাক্তগী মমিশিং তারক্কদৌরিবনি। অদুবু পূম্নমকসি ফনা ওইদুনসু ইরৈপাকসিদা কুকিশিংনা হৌরক্লিবা লানসি মপূং ফানা অমসুং ময়েক শেংনা হেক নমথদ্রিবা মখৈদি লমদমসিগী হরাও কুম্মৈ মখল খুদিংমকসি মপূং ফানা পাঙথোকপা চুমগনি হায়বসিদি হায়নীংদ্রে।

কুমসি চহীগী য়াওশঙ লাক্লে, য়াওশঙ মতম ওইরক্লে, লাল্লকসিদা য়াওশঙ থাবল করম চোংলুদৌরি? হোলি পালাশিংসু অদু মঙাই, ইরমদমসিদা ওইরিবা লানগী ফীভমসিদা পুঙ-ধোলোক অমদি চোঙ পুদুনা মতৌ করম্না লম্বী-লমজাউদা, মীয়াম মাঙদা চৎলুদৌরি? নৎত্রগনা শুপ্পগী লাইনীং-লম্বী খক্তগী ৱাফম্নি হায়বসিসু য়ানদৌরিব্রা? লাইনীংগীদমক য়েংলগা হন্দক্কী মতাংসিদংদি য়ানসি হায়রগবুদি করিসু নত্তবসু য়াই। তৌইগুম্বসুং য়ানসি হায়না হৌদোক্লুদৌরিসিনি লুরিবদি। অদুম ওইনমক পূম্নমকসি কাউথোক্লগা শুপ্পগী অহল-লমনশিং অমদি নুপী অঙাংশিং খক্তনা খজিক-খরাক পাঙথোকচবনি, খরা-উ, খরা-তাদা হায়দুনিদা হায়দুনা কাম্থোক্তুনা চৎনবসু য়ানগদৌরিব্রা? নৎত্রগা লাল্লকসিদবু করিগী য়াওশঙ, কনাগী য়াওশঙ হায়দুনা ইচাই-চাইনদুনা তোক্কদবা মওং ওইরিব্রা? অমদি শোয়দনা তৌরনি হন্দক্কী য়াওশঙ। হায়ফম খঙদ্রি, কুমসিগী য়াওশঙসি মন্থরক্লবা, কিন্থরক্লবা য়াওশঙ হায়বদু ওইগদৌরিব্রা? খঙদ্রেদা, হন্দক্কী কুকি লানগী মতাংসিদি ইরমদম মণিপুরসিদা হীরম খুদিংমক্তা ৱাইয়োং চাবা থৌদৌ হায়বদু অমত্তা হেক য়াওরোইদৌরি। কুকিশিংনা কারল তৌশিল্লকপদগী মীতৈ লৈবাকসি কাং-খোং চাইহনবনি। মহৌশাগী ওইনা চম্না হিংলম্বা পূন্সি মহিংদু হন্দক্কী মতাংসিদদি পুম্মাং মাঙখ্রে। মতম শাংলক্লে থেংনরক্লিবা লানসি। লান মনুংসিগী অৱা-অনা অমদি অশোক-অপন, মীশি-মীনাগী ৱারীশিং তমদুনা খক লোইররোই। অমরোমদা, ইশাদা অমদি ইরমদমদা থোকপনিনা অমুক নৌহৌনা তম্লুদ্রবসু পূম্নমক্লা খঙনদুনা লৈরবা ৱাফম্নি। তৌবদবু মীতৈশিংগী য়াওশঙ কুম্মৈ হায়বসিমা য়ৌরকপসিদা অদুক কমদৌনদৌরিবগে হংন-তান্নবগী ৱানি। হায়সু হায়বনি, হরাও-কুম্মৈ হায়বসিনা ৱাখল নুংঙাইনবা পাঙথোকপনি, লান হায়বসিমদি থৱায় য়োল্লিবনি, শিবা-নাবগী থবক মশীং থিঙমদনা য়াওনরিবনি। লান তৌনরিঙৈদা হরাও কুম্মৈগী ৱাফম পনবসি ফরক শোয়দনা তাদৌবা পোৎনি।

লান মরক্তা য়াওশঙ কুম্মৈ লাকপগী ৱাফম খন্নরিঙৈসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা লৈঙাক পথাপনি, চৎনবীনি হায়দুনা এম পি ভোটকী মতম য়ৌরে ইরমদম মণিপুরসি লাননা মৈ হৌবগুম চাক্লবসু ভোটতি অদুম্মক তৌদবা য়ারোই হায়দুনা তাঞ্জাসিদা অমুক হায়গত্তনা লাংখৎলক্লি। মসিনা অমুক কমদৌবা? লানসু লাননি, ভোটসু ভোটনি হায়রগনা হন্দক্কী চহীসিমদি ইলেক্সন কেম্প্যেন হায়'দু অমত্তা তৌহল্লগুমসি, সোসল মীদিয়াদা, রেদিওদা অমদি লোকল টিভি চেনেলশিংদা ভোট লেপনীংবা কেনি দদেটশিংদুনা লৈবাক মীয়ামদা হায়নীংবশিংদু হায়হল্লগা তোক্লসি। তঙাইফদনা লৈবাক মীয়াম্না ইলেক্সন তৌগদবা নুমিৎতুদা খক্তা মাগী-মাগী পোল্লিংদা চৎলগা ভোট থাদনরসি। কুমসি চহীসিগীদি সিনবু খ্বাইদগী হেন্না ফরনি। ইলেক্সন লেপ্লিবা কেনি দদেটশিংগীসু শেল তিংজররোই, লৈবাক মীয়ামসু ইলেক্সন লেপ্লিবা কেন্দিদেটশিংনা শেল পীরগা ভোট লৈবগী থৌদৌদুদগী নাম্থোক্লনি। থৌদৌসিদা চথদুনা ভোটর ওইরিবা মশা-মশানা মুন্না খল্লগা পীরকপা অশেংবা ভোটতুমক্লা হন্দক্কী চহী সিমত্তংদি ইরমদমসিগী মীয়াম্না তশেংনা য়ানীংনা অশেংবা ভোট পীদুনা কারকপা অশেংবা এম পি হায়বদু অমুক্তংদি পুথোকসি। থৌদৌসিদা মীয়াম্না য়ানীংলোইদবগী মরম লৈফম থোক্লিব্রা? শেংনা হায়রগদি হৌজিকসি তশেংনা চাওখৎলবনি, ইন্টরনেটকী চহী চানি। ফীভমসিদবু অকক্লবা মতম কায়থোক্তুনা মীয়ামদসু মতম মাঙহনবা অমসুং অরেম্বদা চাদিংসু তৌবা, য়ারবদি হন্দক্কী লান মনুংগী মণিপুরগী এম পি খনবগী ইলেক্সনসিমদি ভোটকীদমক মীটিং তৌল্লেরোইসি অমসুং কেম্প্যেনসু চৎহল্লরোইসি। য়াওশঙ মতম লাকপসিদা য়াওশঙ কুম্মৈদগী লানগী ৱাফম্না হেন্না লুহল্লে খন্নরিঙৈসিদা লৈঙাক্লা এম পি ভোটসু তৌরনি হায়রকপসিগা মফাং-মফাং, ৱারীসি এম পিগী ভোটলোমদা হায়ফেৎ চৎলুরে। ভোটনা ভোট ওইরে, য়াওশঙ কুম্মৈসিদি তশেংনা হন্দক চহীসিমদি নুংঙাইত্রসু নুংঙাইতনা লেপথোকপনা ফরনি হায়বসি চুম্লদৌবা মাল্লি।

হন্দক্কী চহীসিগী ওইনদি ইরমদমসিগী য়াওশঙ কুম্মৈসি 'মন্থরক্লবা অমসুং কীন্থরক্লবা য়াওশঙ কুম্মৈ' হায়বদু ওইরদ্রা? ওইরনি হায়বা তাবনি। ওইরনি হায়বগী মরম মথক্তা ময়াম অমা পঞ্জখ্রে। অমুক্কসু হায়জনীংবনা, য়াওশঙগী থাবল চোংলিঙৈদা কুকিশিংনা মীতৈদা নোংমৈ কাপশিল্লক্লে, বোম লংশিল্লক্লে হায়দুনা কোইচেন-চেন্নবা হায়বসিসু নুংঙাইবা থবক ওইগদ্রা? ঐখোয় কৈদৌঙৈদা খক নুংঙাইরোই। মীনা লাকচখিফমসু থোকই অমসুং খুদোংচাবসু হেঞ্জিন্না লৌখিনি। হোলি শক্লিঙৈদা ওইবসু অদু মঙাই চপ মান্ননি। ফীভমশিংসি য়েংলগা হন্দক্কী য়াওশঙ কুম্মৈসিগী মরমদা ৱাফম খরসি হায়নীংবা ফাওরকপনি। তৌবদি হন্দক চহীগী ওইনবুদি করিসু পন্নফম্বুদি থোকত্রবনি। অমরোমদনা, অমুক-অমুক কুকিশিংগী লুজদবা মচৎ চাওখত্তবা মওং অপীকপা অঙাংশিংনা চেনগদৌবা ৱাখল্লোনশিং চেনবগী মতৌশিংসি খল্লুরগা পূক্লিংসিদা খঙহৌদনা খংশাউ শাউনীংলকপা অমা হেক্তা পোকহল্লকই। হৌজিক্কানসি ইরবসু মতম অয়াম্বদা মখোয়গী মরমদা খক্তা, খজিক্তা ওইরবসু ঙাঙনীং-পন্নীংদুনতা লৈ। থৌদৌসি মখোয়গী মতৌনা ওইহনবনি। মীতৈশিংগী চহী অমগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না চাউবা কুম্মৈ 'য়াওশঙ' হায়বসি ফাওবদা মখোয়না মরম শুকচা চাদনা মীতৈশিংদা লান তাশিল্লকপদগী হন্দক্কী চহীসিগী ওইনদি নীংথি নুংঙাইনা পাঙথোক্লুররোই খল্লুবসি খক্তদসু শাথীনা শাউনীংবা পোকই। স্পোর্টসসু ওইরো, থাবল চোংবসু ওইরো নৎত্রগা হোলি পালাসু ওইরো, ইরমদমসি শিন-থুংনা পাঙথোক্লরম্বদু কুমসি চহীসিমদি পাঙথোক্লগদবা মান্দ্রে। সিদনি খোয়দৌ শাউগৎপা হৌরিবসি। য়াওশঙ কুম্মৈদা হেন্না থৱায় য়াওরুই হায়বগী ৱা নত্তে, হৌখিবা চহীগী ইরমদমসিগী ইচন-ইচে অমদি ইচা নিঙোলশিংগী নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরমদসুনি। কুকিশিংগী লানসিনা মরম ওইরগা মীতৈ ঐখোয় পূম্নমক্কী পূন্সি মহিংদা অসুক্কী মতিক অকায়-অতোয়শিং অমদি য়ৈখাই-থিনগাইবগী থবকশিং থোকহল্লি। সিনি শাউনীংলিবসি।

লোইশিল্লকপদা হায়নীংলিবসি মথক্তসু হায়জখ্রে, য়াওশঙ কুম্মৈগী ৱা ঙাকসু নত্তনা মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা কুকিশিংনা মীতৈদা ওনশিল্লগা তারকপা লানসিবু করম কানদা লোইদৌরিবনো? মরম লৈবা, মরম চাবা লানসু নত্তে। লানসিগী চপ চাবা মরম কুকিশিংনা পীবসু ঙমদে। থা তরা হেঞ্জিল্লক্লবা ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু তূমিন্না লেপ্পগা য়েংদুনা খক্তা লৈরি। মতম শাংজিল্লক্লবনিনা মীতৈশিংনা চহী অমগী মনুংদা পাঙথোকচবা হরাও কুম্মৈ মখৈসু মফম মরাং অমত্তা খঙহন্দ্রে। থৌদৌশিংসিনা মীতৈশিংনা কুকিশিংবু হেন্না হেন্নসু শাউনীংহল্লি। খ্বাইদগী ঙক্লিবসি মরৈবাক-মরমদমদা কাঙলোন কায়না হুরান লোন্নাদা লোন্না চেনশিল্লক্তুনা খুন্দারবা ফোরেন্নরশিংনা মশাগী মরমদম ওইরগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা দিমান্দ কয়ামরুম তৌরকপদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হেন্নদুম তেংবাঙশিন্দুনা, য়ানীংনা, তূমিন্না লৈশিল্লিবসিনি। ●

য়েৎতুমগী মিৎত্রংদা মঙলাক্লরকপা - ২

শিন্নাইশঙগী ইৱাই-ইনিল

ডা. লাইশ্রম ইমোবা

ফনেক ময়েক নাইবা/ফনেক মপান লোনবী হায়বসি মীতৈ নুপীশিংনা অকে-অমৌদগীনা অতৈ মফমদসু শেংনবা কম্মন ওইবা ফি মখল অমনি। ফি মখলসি মীতৈ নুপীশিংনা মপূং ওইনা খ্বাংদা শাদুনা শীজিন্নরকই। হৌজিক্তি মসি পাং-ইয়োং নৎত্রগা য়োঙ্খম (ফ্লাই সট্ল লূম) দসু শানবা য়াওরে। ফি মখল অসি মণিপুরী চীংমী কাঙলূপ খরগী নুপীশিংনসু খ্বাংদা শাদুনা শেৎনরি। তৌবদি চীংমী ফূরুপকী নুপীশিংনা শেৎনবা ফনেক ময়েক নাইবীশিংদদি মপানগী অমুবা শরুক্কী মথক্তা য়েৎতুম্না লোনশিন্দুনা ময়েক থোকহনবসি য়াওদে। অদুম্নদি ওইরগা ফূরুপ খরদি মখোয় মখোয়গী ফূরুপ অদুগীনি হায়বা মশক তাক্লবগী ময়েক হাপ্লে। খুদম ওইনা মফেলগী শরুক্তা অহেনবা লং জোম-জোম তাহনবা, ফনেক শাবা মতমদা মপানগী শরুক্তা অপীক অপীকপা পরেং অমদা ময়েক (জোমিত্রিকেল ফিগর) খরা থোকপা অসিনচিংবনি।

মণিপুরী মীতৈশিংগী ওইনদি ফনেক ময়েক নাইবীগী মমিং অনী লৈবা থেংনৈ। মদুদি 'থম্বাল লৈখোক' অমদি 'হিজম/হিজ ময়েক' হায়রিবা অনী অসিনি। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম অমদা 'থম্বাল লৈখোক' ময়েক নাইবী অসি নিংথৌগী মচানুপীশিংনতা শেৎনরম্মী হায়বা ৱাফমসু থেংনৈ। অমরোমদা 'হিজম ময়েক' হায়না খঙনবা ময়েকসি লোনবা ফনেক ময়েক নাইবশিং অসিনা মপুরোইবা লৈখিদ্রবী মৌশিংতনা শেৎনগদবনি হায়বগী চৎনবী লৈরম্মী হায়। অদুম্নদি ওইরগা ঙসিদি মসিগুম্বা য়াবা য়াদবগী অথিং অরাকশিং অসি থোইনা তুকা থিনদ্রে। মী মীদুগী অনীংবা অপান্থা মতুংইন্না শেৎনরে।

ফনেক ময়েক নাইবা অমা মীতৈশিংনা শেৎপা য়াবগী থাক অসি য়ৌনা পুথোরকপদা আর্টিষান অনী চঙই। মদুদি অমনা খ্বাং নৎত্রগা ইয়োংদা ফি শাগদবা আর্টিষান অমা, অদুগা অমনা ফনেক ফিবুম অমগী মপানগী শরুকসিদা য়েৎতুম্না ময়েক লোনশিনবগী থবক অসিনি। মীতৈ নুপীশিংনা কৈদৌনুংদা মপান লোন্দবা ময়েক নাইবী ফনেক শেৎনদে। ৱাফম অমনা মসিগী ফি অসিবু শাবদা শীজিন্নরিবা লং মখল অমদি লংগী মচু শংবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মমিং থোন্দুনা শীজিন্নরি - খঙনরি। মসিগী মতাংদা ফনেক লোনবনা মশাগী সেকেন্দরি ওইবা শিনফম অমা ওইনা শিন্থারিবী অমগা নোংমা ঙাইহাক পুংগোই ৱারী শানরুবদা মহাক্লা ফোঙদোরকপা ৱাফমশিংদগী খরা লৌখৎচরি।

উনজরিবী আর্টিষান অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চন্না, লমশাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী লমশাং নগর পঞ্চায়টকী ৱার্দ নম্বর ৬তা লৈবীনি। মহাক্কী মমিং মাইবম ওংবী প্রেমী (২৮), মপুরোইবগী মিং মাইবম সুরজ কৌই। চহী নৌরিবী মীতৈ লৈমা অসি শিনফম অসিদা থোইদোক্লা লৈবাক মীয়াম্না শক খঙলবী অমদি নত্তে। অদুম্নদি ওইরগা পূন্সিগী লানফমদা শেল থোকপা শিনফম অমা পায়দবা য়াদে হায়বগী অচেৎপা পান্দম অমগী মখাদা, য়ূমগী মৌ অমা ওইবগী ইমুং-মনুংগী থৌগাইশিং অমদি মতম মতমগী ওইবা খুল-লৈকায়গী শিন্থা কয়া পাংনা-পাংনা অহাঙবা মতম হেক ফংবদা ফনেক লোনবগী শিন্থা অসি পাঙথোক্তুনা লাকপনি, পাঙথোক্লিবা শিনফম অসিমক্তি মপামদা লৈরিঙৈ, লৈকায়গী মচেম-মনেমশিংগী মতুং ইন্দুনা শূরকপদগী হৈরকপনি, তাংদাংবা অকক্লবা ওজা অমগী মখাদা তম্লকপা হায়বদুদি নত্তে। শিনফম অসিগা মরী লৈনবা ৱার্কশোপ, ত্রেনিং, ইনোভেটিভ দিজাইন ত্রেনিংনচিংবা অমত্তা য়াওরুবা লৈত্রি। অদুবু মীতৈ নুপী অমা ওইনা নহা ওইরিঙৈদা হৈনবা হোৎনরকখিবা অদুগী মহয়দি হৌজিক ময়ূম পুরবা মতুংসিদা ফংলক্লে। ●

মীতৈগী পুয়া 'নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা' (নিংথৌরোল লম্বুবা) -(১৩০)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লংমাই খাংহল অহলবনা পোকপী। নোংবাললোন সুমলৈ ও মিংকৌয়ে। মীতৈ লৈমা নোংবাললোন সুমলৈমা। পোকনফম শেললোই চীংগী লমদা। শাইওল লৈশাৎ তমলকপী। মপাম শেললোই চীঙলেল। থোইনা হেনবা। মৌপ্পা লংমাই চীঙখূৎশা। লাংমাই চীঙশা নাপোম লোংবা চীঙ। পুসুম পুৱাং লোক। কাচীঙ কাপাক চীঙ। য়াওৱা খাইপং চীঙ। উললি উলাল চীঙ। মনু ওংবী চীঙ। মমৌনা উলবি চীঙ। পেনু থুপয়োনবী থুপয়োম চীঙ। ৱাঙবল কানাবা কাওকৌ চীঙ। নোংবাল লোনকোঙবম চনু ফানমবী। সনা খোমহল লম। খোয়নৌ লাংমৈ চোইকেল চীঙ। শঙতীঙ ফীশাফম। শেললোই লমদম উচাল পোক। ●

ꯅꯤꯡꯊꯧꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) - (꯱꯳꯰)